রেদ সিল্ড দিভিজন্না শীন্দুনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী ফৌগাকচাউ ইখাইদা ইন্টরনেসনল ৱিমেন্স দেগী থৌরম পাঙথোক্তুনা ইমাশিংদা অচম্বা খুদোলপোৎশিং খূৎশিন্নখিবা

ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন্না হৌখিবা মার্চ ৭তা মোরেদা লৈঙোই পুদুনা চৎখিবা মৈতৈ পাঙল দ্রাইভর অমদি হেন্দিমেনবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা তমথীনা ফূরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা মীফম পাঙথোকখিবা

অসামগী হোজাই, গোলাঘাট অমদি নাগালেন্দদগী লমদমসিগী ঈরাংসিদা খুল ঙাক্লিবা ভোলন্টিয়রশিংদা তেংবাঙ পীবা লাক্লিবা মৈরা পায়বী ইমাশিংবু খ্বাইরক্পন্দ কৈথেলগী ইমাশিংনা তরাম্না ওকখিবা

'মৈতৈ ইমাগী মমোল্লোইশিং'না খুল ঙাক্লিবশিংগী মতেং পাঙবগী মখা চথরকপা ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী ইথম মোইরাংপুরেলদা খুল ঙাক্লিবশিংদা চান-থক্লবা য়াওনা অঙন্বা মতেং খূৎশিন্নখিবা

## রিজার্ভেসন পোলিসী খোঙ্গাওনবা লাইবক থীবনি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর মৈতৈ-পাঙল ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসন (এম এম দব্লিয়ু ও) হেদ ক্বার্টরগী সেক্রেটরি জেনরেল খূৎহৈবম ৱাদিয়া হুসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা দি এম য়ুনিভর্সিটিগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসরগী ফম লৌবদা রিজার্ভেসন পোলিসী খোঙ্গাওনবা লাইবক থীবনি হায়রি।

চেরোলসিনা মখা তারদুনা, ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি ইম্ফাল মণিপুরগী কুমজা ২০২০গী দিসেম্বর ১৯দা থোকখিবা এদভর্টিজমেন্ট অমদা তোঙান তোঙানবা সবজেক্ট/দিপার্টমেন্ট কয়াগী এসিস্টেন্ট প্রোফেসরগী অহাংবা ফম ৮৮ লৌনবা এপ্লিকেসন কৌখিবগী মতুংইন্না এপ্লিকেসন পীশিল্লকখিবা কেন্দিদেটশিং অদু রিজার্ভ অমদি অন-রিজার্ভ পোষ্টশিংগী মখাদা ইন্টর্ভিয়ু মায়োক্নাদবা কেন্দিদেটশিং হায়না কেটগোরি অনী থোক্লা খায়দোক্তুনা সোর্ট লিষ্ট তৌখি।

অদুবু ও বি সীগীদি ক্রিমি অমসুং নন-ক্রিমি লেয়র খায়দোকপনা মরম ওইরগা ক্রিমি লেয়রদা লৈবশিংবুনা অন-রিজার্ভসিট কেটেগোরিগী মখাদা অদুগা নন-ক্রিমি লেয়রদা চনবশিংবুনা রিজার্ভ সিট কেটগোরিগী ওইনা লিষ্ট তৌখি। বোটনি সবজেক্টকী ওইনা কেন্দিদেট ৩২ অন-রিজার্ভ সিটকী কেটগোরিগী ওইনা অদুগা কেন্দিদেট ৫না মৈতৈ-পাঙলগী রিজার্ভ সিটকী ওইনা লিষ্ট তৌখি। অন-রিজার্ভ কেন্দিদেট অমা রিজার্ভ সিটকী খল্লগা রিজার্ভ সিটকী অমবুনা কান্থোল্লস্বসি লাইবক থীবনি হায়রি।

## কুকিশিংনা কাপশিল্লকপদা জাট রেজিমেন্টনা য়েংদুনা লৈরে : খুঞ্জাশিং

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** হৌখিবা মমাঙ চহীগী মে ৩দগী কুকি নার্কো টেররিষ্টশিংনা মীতৈ মীচম-মীয়ামগী খুল অমদি য়ুমদা নোংমৈ অমদি বোম কাপশিনবগী থবক লেপ্তুনা চথরক্লি। থা অসিগী ৫দসু য়াইঙংপোকপী পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা সিমোন কুকি খুলদগী মীতৈগী খুল থম্নাপোকপীদা নোংমৈ কয়া কাপশিল্লকখি।

থম্নাপোকপী মনিংদা লৈবা উয়োক্তগী কুকিশিংনা মীতৈগী খুলদা নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুদা মায়কৈ অদোমদা লৈবা জাট রেজিমেন্টনা য়েংদুনা লৈখি। করিগুম্বা মীতৈগী খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা কাপ্পুরগা জাট রেজিমেন্টনা অমুক হন্দুনা মীতৈ খুল ঙাকপরোমদা ওনশিন্দুনা নোংমৈ কাপ্লকই হায়না পেন্দবা ৱাফম কয়া মফমদুগী খুঞ্জাশিংনা পাউচেসিদা ফোঙদোরকপা লৈখ্রবনি।

পাউ অসিনা মখা তারদুনা থা অসিগী ৬কী অয়ুক পুং ৬.২৭ রোম তাবদা থম্নাপোকপীগী মনিংদা লৈবা উয়োক্তগী কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপ্লকখি। থম্নাপোকপীগা উয়োক চীংগা লাপ্প রিবসি চাউরাক্লা মিটর ২০০/৩০০ রোম ওইগনি। থম্নাপোকপীগী মায়কৈদা বি এস এফনা ঙাক্লি অদুগা উয়োক অমদি সিমোন মায়কৈদনা জাট রেজিমেন্টনা ঙাক শেন্দুনা লৈরি। নুমিৎ অদুগী অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদসু মখা তানা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখি। অদুবু অশোক অপনদি অমত্তা য়াওখিদে।

কুকি মিলিটেন্টনা উয়োক্তগী মীতৈ খুল তম্না নোংমৈ কাপশিল্লকপা অদুদা খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা নোংমৈ কাপকে তৌবদা মফমদুদা খুল ঙাক্লিবা বি এস এফ কাঙবুনা থিংখি। অদুগা কুকি মিলিটেন্টশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লকপা মতমদনা মখোয়গী নাকলদা লৈরিবা জাট রেজিমেন্টশিংনা তুমীন্না য়েংদুনা লৈরিবসি পেন্দে। মণিপুরদা সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি ফোর্সনা মীচম-মীয়াম ঙাক শেন্নবা লৈরগা চপ মান্নবা লান খান্নবা তৌবীয়ু। কুকিনা নোংমৈ কাপ্লকপনা থিংদবা অদুগা মীতৈগী খুল ঙাকপশিংনা হন্দুনা কাপ্পবা মতমদনা অথিংবা থন্লিবসি মীয়াম্না য়ানিংদে হায়রি।

হায়রিবা মফমশিংসিদা মশীং য়াম্লবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগা লৈমিন্নরিবা কুকি মিলিটেন্টশিংনা তত্তনা লান্দারকপা লেপ্তুবনা মখোয় লৈবগী মথৌ তাদ্রে। থা অসিগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা সেন্ত্রেল ফোর্সশিং লৌথোক্তুনা ষ্টেট ফোর্স ওইনা থম্বীয়ু। করিগুম্বা ৱাফমসি তাবীদ্রবদি মীয়াম্না অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## লোনা য়াদবা থবক তৌবীগনু : এফ এম অনুৱার

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুরদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক দ্রগনা লান্দারকপদগী তুংগী য়ূন্সীরেল ওইঙ্গাদৌরিবা নহা কয়াবু তীঞ্জং-কায়জংবা ওইরল্লিবা অমদি তুংগী মীরোলদা য়াম্না শাথিবা শাফু অমা পীরক্কদৌরিবা মওংদা কাইরং, খুমিদোক অমদি খাবৈশোই খুলশিংদা দ্রগনা হার চাইবদৌনা চাইরে। মরম অদুনা খুল অহুমসিগী অপূনবা নৌনা শেমখিবা য়ুনাইটেদ কম্মিটিনা ইরমদমসিদা থোক্লিবা তোঙান তোঙানবা থৌদোক ৱাথোকশিং থিংনবা হোৎনবদা শরুক য়াবা হৌরগনি হায়না য়ুনাইটেদ কম্মিটিগী চেয়রমেন এফ এম অনুৱার আলিনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি খুরাই হৈক্রু মখোঙদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এফ এম অনুৱার আলিনা মখা তানা হায়খিবদা, লূপ অসিগী মোটোদি পিছ, ইন্টিগ্রিটি এন্দ দিভেলপমেন্টতা য়ূম্ফম ওইবা হায়বসিনি। লমদমসিগী লৈরিবা সী এস ও, ক্লব, মৈরা পায়বী খূদিংমক্না লূপসিদা কোওপরেসন পীবীয়ু। লৈবাক্কী থৌগাইশিংদসু লূপ অসিবু নীংশিংবীরকউ, ঐখোয়সু শরুক য়াজগে। খুল অহুমসিদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা মীয়াম্না থৌগাই শীন্নবীরে হায়খি।

অমরোমদা, চীরবা তাঞ্জাসিদা ঙরাং মোরেদা মশাগী থবক চৎখিবা মীওই অনী কুকিশিংনা মীনুংশি য়াওদনা তমথিনা ফূরকখিবা অদু কম্মিটিসিনা কন্দেম তৌই। মখোয়না করিগুম্বা অরানবা চৎপা লৈরম্লবসু মনাক নকপদা লৈবা মীতৈ পাঙলগী ওর্গনাইজেসন্দা পাউ পীবীরক্লগা ৱারক-ৱাতেম্বীরম্লগদি হেন্না ফগদবনি। অসিগুম্বা থৌদোকসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনমিন্নসি। মসিনা লৈমিন্নরিবা কম্ম্যুনিটিশিংগী মরক্তা হেন্না নুংশিনদবা ওইরকপসু য়াই। মরম অদুনা অসিগুম্বা থৌওংসি মতুংদা অমুক হন্না থোক্তনবা মরু ওইনা কুকি ইচিল-ইনাওশিংদা আপীল তৌখি।

## পেরা সর্চ লাইট অমা ফংলে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** ঙরাং অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্তকী মনুং চনবা নম্বোল পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা কাংমোং মনিংগী লৌবুক্তা থবক শুবা চৎখিবা খুঞ্জাশিংনা পেরা সর্চ লাইট অমা লৌবুক্তা য়ুংশিল্লগা লৈরম্বদগী বোম ওইরবোই নীংদুনা পুলিসতা পাউ পীরবা মতুংদা নম্বোল পুলিসকী টিম অমনা লৌখৎখ্রে হায়রি।

পুলিস লাক্লগা পোৎশক অদু লৈনুংদগী ফুক্তোক্লগা য়েংলুবদা মনুং অদু ইহো হোরগা লৈরমখি পুলিসনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা কাংমোং মনিংদা জাট রেজিমেন্টনা পেরা সর্চলাইট অনী কাপখিবদুগী টোক্লিং ওইগনি হায়রি।

## এ এম এম পি এ সী ওনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** হৌখিবা মার্চ ৭কী নুংথিল পুং ১ রোম তাবা অদুৱাইদা ইম্ফালদগী লৈঙোই পুদুনা মোরেদা লৈবা পুলিস কম্মান্দো কমপ্লেক্সতা থারুনবা চৎখিবা মীতৈ পাঙল ফূরুপকী ত্রক দ্রাইভর অমসুং হেন্দিমেনবু কুকি মিলিটেন্টশিংনা ফারবা মতুংদা তমথীনা ফূরগা থাদোরকখিবা থৌওং অদুবু ওল মণিপুর মৈতৈ পাঙল ক্লবস ওর্গনাইজেসন (এ এম এম পি এ সী ও)না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

এ এম এম পি এ সী ওগী প্রসিদেন্ট হয়াতুর রহমননা ঙসি হট্টাদা লৈবা লূপসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দ্রাইভরশিংনা ঈরাং থোক্লিবা লমদমসিগী চঙফদ্রবা পোৎলমশিং হোন্দোক-হোঞ্জিন তৌজরিবসিদা অসুম্না তমথীনা ফূবীবা হায়বসি মিলিটেন্টকী থৌওংনি হায়না লৌই। ফূরুপ অমত্তনা অসিগুম্বা থৌদোকসি থোকহনবীগনু। ঙরাংগী থৌদোক্তা চেন্নরিবা মীওইশিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক্না লোগী ওইবা এক্সন লৌখৎপীয়ু নৎত্রবদি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম-শারে হায়খি।

## ফেকল্টি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর টেক্নিকেল য়ুনিভর্সিটিগী নোদেল ওফিসর কোসিগিন লৈশাংথেমনা থাদোরকপা চেরোল অমনা য়ুনিভর্সিটি অসিনা ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিজ এন্দ ইন্সটিট্যুসন্স নেটৱার্ক ফোর দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন-নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ দিজাষ্টর মেনেজমেন্টকা খূৎশম্নদুনা নুমিৎ হুম্না চথগদবা ফেকল্টি দিভেলপমেন্ট প্রোগ্রাম অমা দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সন হায়বা হীরমসিদা থা অসিগী ১১ দগী ১৩ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়রি। প্রোগ্রামসি য়ু জি সীনা প্রাইম মিনিষ্টরগী টেন পোইন্ট এজেন্দাগী মখাদা অন্দর গ্রেজ্যুএট কোর্সশিংদা দিজাষ্টর রিস্ক রিদক্সনবু কম্পলসরি সবজেক্ট ওইহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্কদবনি হায়রি।

## এম এস পি দি সী এলনা অহুম ফাগৎখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** মণিপুর ষ্টেট পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি দি সী এল)না চথরকপা দ্রাইভ অমগী মখাদা ঙসি লম্ফেল সব-দিভিজন ৱান এরিয়াদগী মীওই অমা, কাংপোকপী সব-দিভিজন এরিয়াদগী মীওই ২ পুন্না মীওই ৩ ফাগৎখ্রে হায়না এম এস পি দি সী এলগী জেনরেল মেনেজর কম্মর্সিএল এন জি কিরনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

নীংশিংবা য়াই, থা অসিগী ৫ অমসুং ৬তসু এম এস পি দি সী এলগী ওফিসরশিং অমদি ষ্টাফশিংনা বিষ্ণুপুর সব-দিভিজনদগী মৈ লান্না কোৎলম্বা মীওই ৩ অমসুং য়াইরিপোক সব-দিভিজন এরিয়াদগী ১ পুন্না ৪ ফাগৎখিবা লৈখ্রবনি। মখা তানা লোগী ৱাংমদা মৈ কোৎলম্বশিং ফাগৎপগী থবক চৎখিগনি হায়রি।

## 'জিরিবামদা জে এন ভিগী মফম রিভিয়ু তৌবীদ্রে'

**ইম্ফাল, মার্চ ০৮ (ঐচ এন এস) :** জিরিবাম দিষ্ট্রিক্তকী মনুংদা লিংগদৌরিবা জৱাহর নবোদ্যা বিদ্যালয়া (জে এন ভি)গী মফমসিবু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়না কয়ারক হায়জখ্রবসু ঙসি ফাওবা রিভিয়ু তৌবীদনা লৈরি হায়না ঙসি অয়ুক দেসাম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী ওফিসতা কেএসএ য়াওনা অতোপ্পা মহৈরোয় লূপ অমগা পুন্না মহৈরোয় লূপ অহুম্না শীন্দুনা পাঙথোকখিবা পাউমীশিংগা উনবা অমদা দেসাম জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট লাইশ্রম বিলাক্স মীতৈনা ফোঙদোকখ্রে।

মহাক্না মখা তানা হায়খিবদা, চহীসিগী জন্যুৱারী ২৯দা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি এম পিদা ফাওবদা দিষ্ট্রিক্টসিগী ওইনা জে এন ভি লৈবদা মতিক চারোইদবা মফমশিংগী রিপোর্ট কয়া পীরম্বা অদু রিভিয়ু তৌবীয়ু হায়দুনা মহৈরোয় লূপ মরিনা অইবা চে পীখ্রবসু ঙসি ফাওবা রিভিয়ু তৌদনা লৈরিবসি অথুবা মতমদা তৌবীরক্তবদগী এদ্যুকেসন মিনিষ্টর অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা অমুক্কা হন্না নীংশিংজরি হায়না ফোঙদোকখি।

## [illegible]

[illegible]

## মালেমগী নুপীগী নুমিৎতা কোরকোমনা নুপী ওইবী পূম্নমক্তা য়াইফ…

*ঙরাংগী মখা…* মসি খঙবননি ঐখোয়গী নুপী খুন্নাইনা মণিপুর (কংলৈপাক)দা মালেমগী নুপীগী নুমিৎ পাঙথোকপদি য়ুরোপ-অমেরিকাগুম কুম্দে নত্তে, লাম্হৌং অসিগী শরুক অমনি হায়না ইতৎতত্তনা হায়রিবসি। মালেমগী ওইনসু মাগী-মাগী লমদুগী ফীভম য়েংদুনা পাঙথোকউ হায়রিবনি।

নুপীগী হক কন্নবা হোৎনবদা শেন্মীৎকী ফীভম ফগাৎহনবা হায়বসি য়াম্না তঙাইফদবনি। অদুবু লোইলমগী শেন্মীৎলোননিনা মপানগী কৈথেল ওইদুনা মখোয়গী পোৎ য়োনবীরগা শেঞ্জাও পায়বা মপানগী মীওইনা খায়বীবা শেন্দোং খরদুনা ইমা কৈথেলগী মচৎ ওইরি। ঐখোয়গী পোত্থোক পুথোক্তে হায়বা য়ারোই, পুথোকই। অদুবু মকুম থাদা পোত্থোক য়াম্না পুথোকপদু লীবা ঙমদবনা হোংনা হোংনা য়োম্থোক্তুবদি পত্তুনা-খূইদুনা মাঙগদবনা শেন্দোং ফংবদি লায়রদনা শেল্লেপ মাঙলি। মসিদা ইঙ্খোল কোয়দুনা হকথেংননা পোৎ য়োঞ্জবা ইমা-ইবেল কয়াদি মকোক্তা মখূৎ হাপ্লি।

লৈঙাক্কী থবক তৌবী কয়া অমা থবক্কী ৱানোম্বদা চঙখিবা লুপা লাখ কয়াদু থাগী ফংলকপা খূৎশুমলনা শেন্দোই হুনবদা শীন্নবা থুংনদবদগী নীংথম থাদা হুমাং তারি। নুপীগী লেবর পোলিসী নীংথিনা থম্বীদবনা য়ূম শাবগী শিন্মী ওইরিবী নুপী কয়া, নুঙ-লৈঙোই পেল্লিবী কয়া শুর-শুরগা লায়র তাল্লি। ফি শাবী কয়া মোনোপোলি তৌবা লং য়োনবশিংনা য়োন্নিংবা শেনফমদা য়োনবা, লং ফংহন্নিংলগা ফংহনবা, ফংহন্নিংদ্রগা ফংহন্দবা তৌদুনা ময়াং লল্লোনবশিংগী শেন্দোংগীদমক ফি শাহনবগুম তৌরি। খুল্লং চৎলম্বী নুপী কয়াসু অনৌবা থোরকপা লৌ খাওনবা মেছিন ময়াম্না মহুৎ শীনখিবদগী নুপীগী থবক শুফম লৈহন্দ্রে। চাওখৎলকপা মতমগী চৎনবীনি হায়রবসু মখোয়গী স্পেস অমা একোমোদেট তৌনবা থৌশিল থৌরাং লৈহনগদবনি। মদুসু তৌদে। লোইলমগী লৈঙাক লীক্লমসিনা লমদমসিগী নুপীশিংবু ওৎপা য়াবা খম-থেংনা ওৎলি।

লোইলম মপুগী কাঙলোন মখাদা দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপ্তুনা পাঙথোক্লিবা মীখলশিংদা লায়রবা ইমুংগী নুপী কয়া শেল পীদুনা, পীজপীথক্তুনা মীখলদা শরুক য়াহল্লি। শু-নোমদুনা শেল তানবগী মহুত্তা ৱাদনা শেল তানবগী নাৎ অমা শাগৎলক্লি। নুপী খুন্নাইবু ঈকায় খুম্নবীরে লৌরগদি ঈহৌ কয়াগী রেল্লি চৎপা, ষ্ট্রাইক তৌবদনা তাবীবদি লায়রদনা থিনা-থিনা ওৎপীনৈবী। লমদমসিদা পাঙথোক্লিবা মীখলসি লোই লৈঙাক্কী মীখলনি। ফেসিজমগী লৈঙাক্তা দেমোক্রেসিগী মায়খুম উপশিনবনি। মীয়ামগী নীংতম্বা লৈতে, মান্নবা হায়বদু উদে। ফ্রীদম এন্দ ইক্বেলিটি হায়বসি দেমোক্রেসিগী মসানি হায়নরিবনি। অদুবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তদি অনীমক য়াওদে। মসা য়াওদনা পাইবা ওইথোক্তে। কোলোনিএলিজমনা থৱায় ওইরগা ফেসিজমনা হকচাং ওইবা লৈবাক্লি।

তশেংনা হায়রগদি 'ইনভেষ্ট ইন ৱিমেন: এসেলেরেট প্রোগ্রেস' হায়বা কুমশিগী নুংগী ৱাখল্লোনসি লমদমসিদা কাঙলুপ অনীগী মরক্তা থোক্লিবা ফীভমসিনা নুপী ওইবীশিংগী শেন্মীৎতা পীরিবা চৈথেং অদুবু উৎলি। মালেমগী চাওখৎ লমজেলদা মাঙ থানা চৎলিবা খুন্নাইশিংগী ওইনদি য়াইফ থৌশিলগীদমক 'নুপীদা শেন্তং পীথবা, চাওখৎ লমজেল য়াংশিনহনবা' হায়বসি খরা হেন্না চুনবা ফীভম লৈরবসু মুক্নবগী ফীভম লৈরিবা ইরমদমসিগী ওইনদি য়াম্নমক নুংনাংনিংঙাই ওইরি। ঙসিদি খূৎশেম্না ওইহল্লকপা কাঙলুপকী মুক্নবসিনা মতম শাংনা হিংমিন্নরকপা কাঙলুপশিংগী মরক্তা উংখৎনবা থোকহল্লে।

ঙসিদি নুপী ওইবীশিং লম্বী-লমজাওদা থোক্তুনা ঈহৌ চথরি। চীংখোঙ-চীংয়াদা অহিং নোংশোইবা য়ারেক্লি। ফীভমসিদা খুন্নাইসিগী শেন্মীৎকী য়াংলেন শরূ ওইরিবা কৈথেলগী শেন্মীৎ কায়রে। চাওখৎ লম্বীগী মহুত্তা লমদমসিগী তংদু লৈতাবা কায়হন্দুনা শেন্মীৎতা মীখা পোল্লে, কাঙলুপ মশেল মুক্নহন্দুনা থল্লে। লৌফম হেক্তর ১০,০০০ লৌ উবা য়াহন্দ্রে অমদি লম্বী-থোংথিংলবসু ইন্দিয়া লৈঙাক্না য়েংদুনা লৈরি। ফীভমসিদা নুপীশিংগী শুফম-নোম্ফম, মরু ওইনা লায়রবশিংদা চাউনা চৈথেং পীরে।

পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা মালেমগী নুপীগী নুমিত্ত ইরমদমগী নুপী খুন্নাইগী মান্নবা হক অমসুং মখোয়বু ওৎনৈবা, ঈকায় খুম্নবা মাঙহনবা তৌদনবা কোরকোমনা থেংনবা য়াবা থেংনখিনি। লোয়ননা নীং-খা তম্বগী অশেংবা মহাও ফংদ্রিবা ইরমদমগী নুপী খুন্নাইদি ষ্ট্রগল তৌবা হায়বসি নত্তনা ঐখোয়গী লম্বী লৈতে হায়বসি খঙদুনা লৈরি, খঙদুনসু থেংনখিগনি হায়বা থাজবা লৈজরি। থেংনরিবা পূম্নমকসিসু লোইলম লৈঙাক্লোনগী মায়োক্তনি। মার্চ ৮না লাকপসিদা নুমিৎ অসিদা অনৌবা ৱাখল অমসুং অচেৎপা ফিরেপকা লোয়ননা নুপীগী নীংতম্বগীদমক ঐখোয় পুন্না থেংনমিন্নরসি হায়না কোরকোমনা মীয়ামদা থল্লক্লি।

HL-B/8604/6 to 20 March

Apollo Academy

Kwakeithel Bazar, Airport Road-01

(In touch with Shri Cheitnya)

Registration is going on for

NEET (UG) - 2024

50 - DAYS CONDENSE COURSE

Class starts : 11th March, 2024 Session : Morning & Evening

Course fee: ₹ 10,000

Two months Hostel feeship free for

(a) Relief camp NEET -24 aspirants and (b) Students scoring 85% and above in HSLC-2022.

Special Features:

- ✓ Daily practising problems
- ✓ Class duration: 1hr. & 15 min.
- ✓ Daily 4 classes: Phy, Chem, Bot, & Zoo.

Sunday open

- ✓ Mock test on every Sunday
- ✓ Explanatory (solution) classes after tests
- ✓ 2 Mega Mock test (XI Sc. & XII Sc. section)

Forms Available:Apollo Office, Kwakeithel, Near Amuco Office (9am. to 3p.m.)

HL-B/8605/7 to 31 March

CAS Coaching Centre

CAS Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal

Admission Open

FOUNDATION COURSES

CLASS XII (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)

CLASS XI (Physics, Chemistry, Maths, Biology & Eng)

CLASS X (English, Maths, Science & Social Science)

Hurry!!! Seats are limited First Come First Served

Special features:

- Concession for 1st come 10 students
- Special Concession for Meritorious, Ethnic Victim Students.
- Experienced and Expert Faculties.
- Supply Chapterwise Study Materials.
- Targeted Suggestion for Final Exam. by Experts.
- Weekly and Monthly Test Series.
- 30 Students for each Batch.
- Vision for Toppers in 2025

Hostel for BOYS & GIRLS Available

Classes commencing from 18th March, 2024(1st Batches) & 4th April, 2024(2nd Batches)

# Morning:(4.00/4.30– 7.00/7.30) A.M. # Evening:(4.00–7.00)P.M

For Details:- CAS Office, 2nd floor Keishampat Junction Imphal (Mayai Lambi Machin) # 6033817130

[illegible]/CALL তৌবিরকউ

(Doorstep Service on Call)

অদোমগী য়ূম-য়ূমদা লাক্তুনা অদোমগী Refrigerator, Washing Machine, Room AC, Car AC, Geyser, Chimney, Dishwasher, Water Purifier শিং অসি Repairing/Servicing তৌজরি।

**Kindly Contact :** Imoinu Electronics
Khoyathong Pukhri Achouba Mapan
# 9366887571

HL-P/9913/9

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mutation Case No. 84 of 2024**

Golmei Dingthaongam Kabui, S/o. Golmei Dingsungam Kabui of Keikhu Kabui Village. -Petitioner

-VS-

Golmei Gondaimeichung Kabui @ Ningthoukaba Kabui, S/o. Late G. Dingsungam Kabui @ Thambou Kabui of Langthabal Khoupum. -Opposite Party

**[illegible] / NOTICE**

Lilong Chajing Dated: 5th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত ওইখ্রবা Pattadar Ningthoukaba Kabui, S/o. Late Thambou Kabui of Langthabal Khoupum গী মীংদা পানবা খুন নং 67-Langthabal Kunja Patta No. 5 অরিবা 549 অনৌবা CS Dag No. 1214 গী এরিয়া 0.22000 একর চাউবা অঙনফৌ Petitioner মশাগী মীংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC-Lilong Chajing, Imphal West কী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপীদুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/9906/9

**[illegible]/অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা খুবিমুক চাউনা থোক্লগা লৈবা, থোক্লগা লৈবা অদু ইনশিনবসু য়াদবা, মচুমসু পেৎ-পেৎ তারগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বদা অমাংথোঙদা থুপ্পা অদু ফহনবগীদমক ওজা Azad পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা মতম কুইনা নাদুনা অমাংথোঙ মনুংদগী মপান্দা খুবিমুক চাউনা থোক্লগা লৈবা, থোক্লগা লৈবা অদু ইনশিনবসু য়াদবা, মচুমসু পেৎ-পেৎ তারগা লৈবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা, খোঙ হাম্বদা থুপ্পা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপানগী তৎফম অদুদা খোঙ অকনবা হাম্লকপদা য়াম্না নাবা, হিদাক চারবসু চারিবা ফাওবতং নোর্মেলদা হাম্বা, চাদ্রগনা হান্নগুম্না অকনবা অদুম হাম্বা, খোঙ অকনবা হাম্বা অদুনা অমাংথোঙ মনুং অমদি মপানগী তৎফম অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তারকপা, অমাংথোঙদা চিকপা অমদি শাবসু তৌবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা তৎপা অদু হিদাক চারবসু ওইশিল্লু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূকচেপ নাবা, অহিং মপুং ফানা তূমদবা, ফম্বী শোনবা, তাঙ-তাঙ চিকপা নাবা, ঙকশম মরি নাবা, খ্বাং নাবা, অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা **MV Azad Phusam Phone No. 7628890261/9089738275** দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

লায়েংফম :1. Hatta Opp. Oil Pump Near Public Hospital, Imphal.
2. Mayang Imphal, Konchak Bazar. (6 am to 10 am.)
3. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Only Sat. & Wed. Open)
4. Yairipok Bazar Near Traffic Point (Only Sunday Open)

*থাগৎচরিবা :* **K. Albert Meitei,** Oinam

HL-P/9815/09

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 93/SDC/NBL of 2024**

Loitam Ongbi Homa Devi, W/o. (L) L. Angangmacha Singh of Laitonjam. - Petitioner

-VS-

1. (L) Loitam Angangmacha Singh, S/o. (L) L. Tomba Singh of Laitonjam.
2. Loitam Ongbi Hema Devi, W/o. (L) L. Angangmacha Singh of -do- -O.P

**[illegible] / NOTICE**

Dtd. 08/03/2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 18- Laitonjam গী Patta No. 54 (Old), 431/605 (New) Dag No. 171/949 an Area of 0.09 acre of Ingkhol Class হায়রিবা ইংখোল অসিগী পাট্টাদার নং ১ অসি মৃত ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃত পাট্টাদার মমিং কক্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা ইংখোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

HL-P/9908/9 **Sd/- BC to SDC,** Nambol

চহীগী দশা য়েংজরি / [illegible]

মপোক্কী কুঠী অমদি খুবাক ময়ি সাইন্টিফিক্ট ওইবা মওংদা কুপথনা য়েংজরি। চহিগী দশা-লাংফম, অঙাংগী মহৈ-মশিং, পক্লবা সবজেক্ট, অৱাংবা পরিক্ষা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওদবা, পক্লবা শিনফম, সরকারগী থবক, লল্লোন-ইতিক, শেল-থুম, য়ুম-ইংখোলগী অফ-ফত্ত, লুহোংফাল, য়ুম্বাল, ইচা-ইশু, ইমুং মহী লাংবা, হায়ন-তানবা য়াদবা, পক্লবা গাড়ী, লক্কি ষ্টোন, হকচাংগী নুংঙাইতবা মরমশিং য়েংজরি। হেন্না ফগৎনবা তান্নবীয়ু। ওনলাইনদসু য়েংবীবা য়াগনি। ৱাটচএপ নম্বর ৯০৭৭১৮৮৪৫৬।

*Contact :* **JM Dr Ph Rajendra**
Nongmeibung Wangkheirakpam Leikai
Imphal East, Manipur

HL-B/8533/8 Feb. to 9 March

### [illegible]/নুংঙাইবা ফোঙদোকপা

মণিপুর লৈঙাক অমদি ৱাষ্ট্রে কেন্দ্রগী এম এল এ শ্রী থাংজম অরুনকুমারবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি। মীওইবা হায়বা ঐখোয়সে অয়াম্বনা হন্থনা খক য়েংনদে। হঙ্গৎনা য়েংনবনা অয়াম্বনি। হায়বদি অহেন-অহেনবদুনি উরিসে। অদুবু খুরাই থৌদাম লৈকাইদা লৈজরিবা লৈখুরাম জাদুমনি মৈতৈ ঐহাক্কীদি লৈকাইগী লৈরক অসিমা শেম্বীরকপা, সোরোক্তা ঈশিং চেল্লম্বা, ঈফুল কয়া হৌরম্ববু ফহনবীদুনা কোয়লাস থাবীবা, দ্রেন চনবীবা ঐগীদি অপেনবা ওইজরে। করিগুম্বা মতমদা এম এল এ থাংজম অরুনকুমারগী মতেং খজিক্তং ওইরবসু পাংজবা ওইজগে। হায়জনিংবা অমনা ঐগী থম্মোয়বু পেলহনবা অসুম্না মীওই কয়াগী থম্মোয়বুসু পেলহনবীদুনা নুংঙাইবা ওইহনবীয়ু। ঈশ্বরনা নঙগীদমক্তা থৌজানবীবা ওইসনু।

*নুংঙাইবা ফোঙদোকচরিবা :*
**লৈখুরাম জাদুমনি মৈতৈ**
খুরাই থৌদাম লৈকাই

HL-C/250/9

### IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: LILONG CHAJING, IMPHAL WEST

**Ref :- Mutation Case No. 83 of 2024**

Golmei Poushinglung Kabui, S/o. Golmei Moirangjao Kabui of Langthabal Khoupum. -Petitioner

-VS-

Late, Goldaimei Makuchung Kabui, S/o. Moirangjao Kabui of Langthabal Khoupum. -Opposite Party

**[illegible] / NOTICE**

Lilong Chajing Dated: 5th March, 2024

Under Section 46(3) of MLR & LR, Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি মদুদি মৃত ওইখ্রবা Pattadar Goldaimei Makuchung Kabui, S/o. Moirangjao Kabui of Langthabal Khoupum গী মীংদা পানবা খুন নং 67-Langthabal Kunja Patta No. ........... অরিবা 532 অনৌবা CS Dag No. 1216 গী এরিয়া 0.10000 একর চাউবা অঙনফৌ Petitioner মশাগী মীংদা নামা পানবীয়ু/ওনশিনবীয়ু হায়না উক্তা Court SDC-Lilong Chajing, Imphal West কী Office তা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎ তরেৎ (৭) নি ফাওবগী মনুংদা Court অসিদা লাকপীদুনা Objection তৌবীরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। Court কী হৌনবী মতুংইন্না থবক মখা চত্থগনি।

**Sd/- BC to Sub-Deputy Collector,**
Lilong Chajing, Imphal West

HL-P/9906/9

**[illegible]/খনাউ মনুংদা নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা, করিমত্তা চাবা থকপা য়াদবা, তিন য়োৎপদা খনাউ নাবা, লায়হৌ তোয়না হৌবা, খনাউ মনুংদা চাথৎপা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ চাবা য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা তোঙ্সিলনা য়াম্না কন্না নাদুনা খনাউ মনুংগী নাকল অনীমক পোমথোক্লগা লৈবা, পোমথোক্লগা লৈবা অদুদা নাই চারকপা অমদি চাথৎলকপা, করিমত্তা চাবা থকপা য়াদবা, য়োৎশিনবদা য়াম্না নাবা, তিন য়োৎপদসু নাবা, খনাউদা লোক লৈবগুম তৌরগা লৈবা, শিৎলুরগনা লোক য়াওরক্তবা, চাবা থকপা য়াদবনা মরম ওইদুনা নোংমনোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, লায়হৌ তোয়না হৌবা, কোক তোয়না চিকপা, হৈ অমদি অঙৈংবা পোৎ-চৈ চাবা য়াদবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

*থাগৎচরিবী:* **L. Ranjana,** Langdang

HL-B/8538/09